# ৱারী মচা

## নীংশিং ফুরা

*–রাজেন খুমুকচম–*

"মনুংদা অমুক্তা চঙজগে।"

"কনা উন্নগদবনো, করি থবক্কীনো?"

"মনুংসিদা লৈরিসিবু কনানো, সোন্না শঙবিরিবা থোঙসিবু কনাগীনো?"

"করিনো নঙবু ঙাওরবরা, সিদা লৈরিবসিদি, খ্বায়দগী চাওরবা পূন্নমক্তগী থোইরবা, থোইরেল হায়বদুনিদনা, সনা কোনুংগী থোঙশঙবনবু নিংথৌরেলগী নত্তনা কনাগীবু শঙলুগদগেনে বোন্ধু।"

মরম খঙদনবু হেক্তা থাজিনবা য়াবরা! থোঙশঙবদুনা লৈথোক্তুনা হায়রকখিবনি।

"ঙাওদবদুননি, অদোমগী শিনফমবু ইকাইখুন্নজবগা লোয়ননা অদোমদা মনূংদা অমুক্তা চঙজরুগে হায়রদুনা পার্মিশন লৌজরিবসি।"

"অদুদি ঙাইহাক্তং ঙাইরম্মু, ঐ মনূংদা অমুক্তং চঙদুনা হংলুখিগে। মীস্ত্রিশিংনি হায়না তম্বীয়ু।"

মাগী মাগী শিনফমদা মশক নাইবা অমমম ওইনরবসু খঙনহৌদবদগী অমগা অমগা ঙাইহাক ৱাহে কমজাও হুন্নদুনা অওক–অথোম তৌনখ্রবসু মীওইবা মশেলনিনা লোল ফাওনরক্তুনা থোঙশঙবদুনা মনুংদা চঙখিদুনা মখোয়বু চঙহল্লকউরা চঙহল্লক্কনুরা হায়বগী পাউ লৌবা চঙখ্রি।

সোমদনা হোজঙদা লেপ্লদুনা আর্কিটেক্না মদোম খল্লি। নুপাসি অনৌবা লাকপা ওইরম্বা তাই, ব্যবহারদি ওখাক ঙমজবমখৈ য়াওদ্রেহে। হোয়দা মসিমদি মা–মাগী শিনফম্না ওইরম্বসু য়াইদা। ফরে য়েংনবা হায়বদু তারে। মানা ঐসিবু কয়াদা থৌওই উৎশিৎতনা নঙ–মা কায়না তৌবা শারিয়ে। নোংমা মচিং লাক্তুনা আর্কিটেক ঐনা নোক্না–নোক্না আ অথাপ্পা মথোং চাদবা মফম অমদা কোক হেক থল্লবদি খঙনগনিসে।

তাঞ্জাদুদা থোঙশঙবদু মমায় ঙাংতক তৌজরবসু থৌ–ৱা ইশা শাদনা গপ–গপ খোঙথাংদা থোরকই অদুগা হায়রে।

"য়ারনি চঙবিরো।"

আর্কিটেকতু থম্মোয়নুংদা নাপল তকশি অমগা লোয়ননা নোকফেৎ তৌরম্লগা বোর মীস্ত্রিশিংদুদা মিংচি খৎলদুনা লেঙশিল্লসি হায়রদুনা মনূংদা চঙখিরম্মী।

"ইনিংথৌ, ননাইবু লোইবা, লৈকোই মপুও, ননাইনা পুনেমজরিয়ে।"

"লেঙশিনবিরকসিদো য়োয়হেন ফম্নাইবও।"

"সনা য়াথং করি করম্বা অনৌবা অমমুক লৈরদুনা ননাইবু শগোল পাউজেনবীবিরকপনো? ননাই য়ৌজরক্লে সনা য়াথং তাকপিগনিদো মপুরোল।"

"অতৈ করি নত্তেদো অঙম্বা, ফম্ফম্লাংদা হান্না অমুক্তা লেঙশিনবিগনিদো, লোয়নবিরক্লিবশিংসিবু... ঐদি চেংলৌ শকখঙজদেদো।"

ফগনিদো হায়জগে, লোয়নজরক্লিবশিংসি অতৈ কনাসু নত্তে, খূৎহৈবা হৈথোই শিংথোইরবা বোর মীস্ত্রি ঙাক্তনি। ইনিংথৌদি লৈবাক্কী ওইবা থৌয়ান্না য়াম্মনখিবনা নীংশিংবিদবসু ওইরম্বা য়াই। ননাইশিংসিনি, ইনিংথৌনা তাকপিবা অপাম্বদা ঐনা আর্কিটেক ওইজরগা মৱা–মনিল নাইদনা খূৎহৎ কয়া –কয়াগী নোমুনা পুথোক্তুনা নীংশিং ফুরাশিং শাখ্রিবশিংদো।"

"ওহো–ওহো, নিংথৌনা ঙাইথিদে শামুনা ঙাইখঙদে হায়বদু হেক থোক্লেদনা ঐদি।"

"অদুমকপু ইনিংথৌ, মসিদি মতম–মতমগী মতাং–মতাংগী হায়বদুনি। ঙসিমক ননাই ঐহাকপু থোঙশঙবনা...।"

"ইহে–ইহে, ঐসু খঙজরে, ৱারৌবিবা য়াদ্রে। ঐনসু থোঙশঙবদু খরা... মতুংদদি মীশক মুন্না খঙজিল্লু হায়নসু হায়জখ্রবনি। ফরে ৱাফমসি তেনশিল্লসি।"

"তাকপিগনিদো লৈকোয় মপুরেল।"

"কনা কনা লৈ," কোইরে লৈদুনা য়েংলগা অরৈবা মখৈ খরা হন্দোকউ হায়রদুনা ঈঙ্গিৎ তৌখি। অদুদৈ মখা তারকই।

"অঙম্বা।"

"তাকপিসিদো।"

"য়েংউদো, মাগী অয়াংবা হায়বা নুপাদুনা তৌরিবসিনা মা–মশাগীতা ময়েংই। ঐগীদি ইখন–খন্দবগুম, ঐগীদি ময়ামসিগী মচীনসি মেন্নবা হোৎনবদা লোক্তাক্তা ঙা মচা থাদবগা চপ মান্নখ্রে।"

লাইকুপ থোকপগী ফুরিৎ মশীং থিঙমদবগুম মখূৎ থেক্তুনা মুরুম–মুরম শোনখি।

"মহৌশানিদো ইনিংথৌ।"

মশাগী খন্দববু লৈরিগদ্রা শোম্থাংননা শোনখি।

"অদুবু অঙম্বা, নহালনোংগী ডিজাইন্দুবু লোইবিখ্রবরা?"

"ডিজাইন লোইবতা নত্তে, নীংশিং ফুরাদু ফাওবা জুলাই ২৩ দা শঙ্গাখ্রে ইনিংথৌ।"

"মীস্ত্রিশিংদি লমদম কদোমদগী?"

"ঙসি ননাই ঐহাক্কা লোয়নজরক্লিবশিংসিনি।"

"নুংঙাইজরেদা অঙম্বা, খুজিন্দা চঙবা তুম অমগসু শৎতোকখ্রে হায়বগী নপাউ তাজবদা, অদুদি লৌজরোদো লুপা খাওজাওসে।"

"সনা য়াথং ফিগাও শাজরি।"

"মথং ডিজাইন তৌগদবা অমা অমুক খন্নরসিদো।"

"ফগনি, অদুমহিক্তি ওইরগা ৱাফম অমত্তং...।"

"চিংনবা লৈতনা তাকপিসি।"

"ননাই মীস্ত্রিশিং অসিবুসু খামেন চৎপা অমমমতংদি পীবিবনা ফরোইদ্রনো, লৈকোয় মপুও।"

"মদুমক ওইরসনু, হায়, কনা–কনা লৈ, খামেন চৎপা মরি মঙাদং অদুক পুথোরকউ।"

থিন্দে ৱাৎতে মীৎকুপ ফাদে খামেন চৎপা মনা পীখ্রে। মপু মানা হরাওরিঙৈ আর্কিটেকতু ৱাখল তৌই।

ফনদি য়াম্লেসে ঐনা ডিজাইন তৌখ্রিবসে। শাবা লোইরদুনা শঙ্গাখ্রবা নীংশিং ফুরাগী মশীংসি ফনদি য়াম্লক্লে হায়ববু শাবা লোইশিন্দ্রিবা ময়াম অমসু মরোল মরোল পরেং লেংদুনা লৈরি।

লাল্লক্তুদা নিংথৌনা মখা তারকই।

"অঙম্বা।"

"তাকপিসিদো।"

"লুদি লুইনকো।"

"কদায়দগী–কদোমদগী, করিগীসু লুরোই, শক মান্নদবা, লোল মান্নদবা, লাইনীং তিন্নদবা অসুক য়ামখ্রবা ময়ামসিদবু অমরোমদা হায়রুরগদি ইনিংথৌমুক দাও য়াবা লৈঙাক হৈবসিদি ঙসিফাও লমদমসিদা লৈবু লৈত্রি হায়বা য়াই। নীংঙক নীংঙকপদা নোংমা নীনিদং খুনু খোঙদা শমরৌজরম্লবসু, ফ্রিজনুংগী খূৎশেম ঙারেনগুম খুদক্তা হেক্তা লোইনা ফমথখি, ঙারেন হৌখি। কনাগী ঙাখা হায়বা লৈতে, ফাবৌঙা হায়বা লৈতে, মৈ–হোয়না থাজিল্লক্লবদা খাঙবা লাকপা ঙম্পোৎ নত্তেদা।"

আর্কিটেক্কী থাগৎ ৱাহে তাবদা নিংথৌদু চিরাইদা হুমাংগী ইরীক অমা অনী নোংঙাল্লবসু মুৎতবা থৱানমিচাককুম কুফেৎ–কাফেৎ তৌরকই। মখূৎ ওইদুনা হাইফেৎ লামখৎলুরগা মখা তারকই।

"মাগী লুচিংবসু নত্তনা লুচিংবা শাবদুবু করি, মমিংদুবু?"

"খোইনীংমান হায়বদুরা ইনিংথৌ।"

"হোয়নে হোয়নে, খোইনীংমান হায়বা ওইরমাল্লে।"

নিংথৌদু থৱায় তানা ফাক ফাক নোকথোরকই। অদুগা মখা শমথরকই।

"মাল্লিনে মদো, মশক্লেনা তৌরিদুনা লৈবাক্লা শাবা শেম্ফু হেক মাল্লদনা।"

"অশেংবনি ইনিংথৌ, লৈকোয় মপুনা হায়বিরিবদুমক হেক মাল্লি। অদুদা মামক্তি অদুক হাক্লা শিংজবা মী নত্তে। আ পোইরৈ অতাম্বদগীনি। খরা থাগৎলগা পংহ হরাওজবা মীতাদুনি। নুপী হৈ–শিংবী মপুরোইবদগী হনবী খরনা ইনশিল্লগা মানা থৌদবা হুই ওইজরুবগী ৱানি। হৌজিক হুইদুসু মীনা কনা কিনি ঙাংনবা ঐসু ইনাসিনা হকথেংননা তাজরে। অদুবু ইনিংথৌ ননাই ঐদি মীৱাসি ঙল্লি'খৈ ঙাংজররোই। মা–মাগী তৌজমন্দি মা–মানা ফংজরসনু খঞ্জরি।

"হোয়দা, অদুনি, মদো আ মতাইদা থমখ্রসি।"

"মখা তাকপিসিদো।"

"অঙম্বা, ঐনা পামজবদা অদোম্না ডিজাইন তৌবিখিবা ঐখোয়না শাখ্রবা নীংশিং ফুরাশিংদুবু মশীংকাদি খঙবিরিবরো?"

নোকফেৎ তৌরগা আর্কিটেক্না খুন্নকখি।

"খঙজে চপ চানা মশীং খঙজে, করিগুম্বা ঐনা খঙদ্রবসু থৌরৈতবা ক্লারুবাক্তা হুমদুনা কোম–ক্বা মশুং চিৎথবা থিবসু ময়াম অমা লৈরি। মখোয়দি লোইনমক হিসাব তৌরমগনি। দুগীসু মথক্তা অদোমগী অপাম্বদা ননাই ঐনা তৌজখিবা ডিজাইনবু ঐনা করন্না মশীং খঙলোইদগে, লৈঙাক মপুরোল।"

আর্কিটেক্কী পাউখুমদু তাবদা নিংথৌনা চিন্তা পোৎলুমদি উৎথোক্তনা পূক্নীং লুমদনা মদোম মথন্ত খল্লি।

করি হায়বা, মহাক্লা মশীং চপ চানা খঙই হায়বা! অদুদি নোংমা ফাদোক মাগা ঐগা মোৎ মান্নরক্তবা থোক্লবদি, ঐদি মানা ইরাই লায়না ঙাফক ফকখিবা তাবনি। অদুদি ঐহাক হৌজিক করি তৌবা তাই। মসিগী আর্কিটেকসিমসু নীংশিং ফুরা শাবিরসিগীসু খন্দবা য়ারোই।

লৈবাক মপুরেল মথা শাগৎলকই। মখা তানা খন্থনবা মতম লৌরগে খন্দুনা মপুক্তা অমা খল্লগসু মায়থোঙদা মোমোন তৌরদুনা হায়রকখি।

"ঙসিগীদি ৱারীসি অসিৱাইদা লোইশিল্লসিনে অঙম্বা।"

"ফগনিদো লৈকোয় মপুরেল।"

আর্কিটেক অমদি মীস্ত্রিশিং সনা কোনুংদগী হৌগৎতুনা সনা নাক্তগী মনা মথুমগা লোয়ননা হোজংলোমদা লেঙথোরকই। ফনা ঙন্না লাকখিবনি, ফনা থেঙজিল্লম্লে হায়বা তারে। হন্দক্তি থোঙশঙবনা মখোয়বু উবদা নোকফেৎ তৌরদুনা মখূৎকা থাঙ্গৎলদুনা হাইরকখি।

য়ূম য়ৌরবদা আর্কিটেক্নো মদোম খল্লি। ঙসি লৈঙাক মপুরেন্দা খুমদোকখ্রিবা পাউখুমদুবু। অমুকসু মওল মওল খল্লকই।

অদুঙৈ শাখিবা, শক হেল্লবী – নীংশিং ফুরা, চহী কুমজা কয়া চঙনা শাখিবা, লুপা খাওজাও খাওজাও হৈথদুনা শাখিবা, শিন্মী কয়াগী হুমাংতনা তোৎলগা শাখিবা, অদুগুম্লবা শকহেল্লবী ফুরাদুগী আর্কিটেক অমদি খূৎনাইরবা শিন্মী পূন্নমক মদুগুম্লবা, মদুদগী হেন্না ফজবা, অমদি মান্নবা অমা শারক্তনবা মখূৎ ককথৎপিখি, মমিৎ কোৎথোকপিখি, মদুদগী হেন্দোক্তুনা নীংশিং ফুরানুংদা নীংশিংবা ঙম্লরোইদবা মশীং খঙদ্রবা শিন্মী কয়াগী শরুশিং চেৎনা কনা খঙহন্দনা লৈরোন চনশিনবিখি। মখোয়বু ঙসি কনানা নীংশিংবিরি? মখোয়গীদমক কনানা করি তৌবিবা ঙল্লি? ফরে হৌজিকক্তি ঐ মসিদা থোইনা খঞ্জিল্লরোই। লাইনা তম্বা থোক্লবা অমা শোয়দনা লাক্লগনি।

মথংগী নুমিৎনি। লৈঙাক মপুরেন্দগী অথুবা শগোল পাউ অমা লাক্লম্মী। চাক চখোম অমতংদি চারগা ওইনা মচৎলগে খল্লিভৈ অমুকসু নোৎশিন্দুনা পাউ লাকখি। চাক চাদবা তাখি।

'চাকসে লোইরবনি, চখোম খরদং চারগা চৎলবদি ফগদবনি, চিনখ্রেদকো মখোয় বাবাগী থবকসে' হায়রদুনা লোয়নবীনা শোঞ্জহৌই।

ৱাফমদুদা থোইনা খল্লদনা গাড়ী থৌদোরকই। লৈকং থোং মথাক্তা জিরি জিরি থৌগৎলকই। কেল্লীগী কাওনা লময়ায়দা ফৈনা মুক্নদুনা লৈরমখি। মীরোল খঙলবসু ঙাইওম শিংঙমদ্রবা মশা শোঞ্জিল্লক্লবা কাওনি। মাবু শোক্কনি খন্দুনা থৈদোকপদা কদায়দগীনো খঙহৌদনা চুজাক কবোক পোকপা থেল্লা অইনবী অমা থোমদংখি। করি মখোল থোকখিবনো খঙহৌদে। মীয়ান্না লাওনহৌবা তারকই। 'মী শিরে মী শিরে!' মদু তারুবা য়াবা মতাং নত্তে। ঙাইহাক লৈরগা সনা কোনুং হোজং য়ৌরে। থোঙঙাকপদু ঙসিদি মশক খঙলমাল্লে, ঙাইনবা তৌদনা মনূং য়ৌরে। ৱাখল ইয়াং য়াংনা হায়রকই–

"করি অথুবা লৈবিরবগে লৈঙাক মপুরেল?"

করি থৌইনা অরুবা লৈতেদো, ইদোম লৈবদা ৱাখল থোক্তবে কৌজবনিদা।"

অনীমক হৌনরুবা তৌদনা নোকমিন্নরম্মী। অদুবু আর্কিটেক্তুদি কয়া খোয়জংদে। করিগুম্বা অমা খনবগুম তৌই। হৈ শিংলবা লৈঙাক মপুনা ৱারী হৌরকই–

"করিনো ৱাখলদুবু মকা ইরাম লামদবগুম...?"

"হোয়, ইনিংথৌ, হৌজিক লাকপদা লম্বীদা থৌদোক মচা অমা।"

"করি থৌদোক ওইরবনো অদুক তমবীয়ু মতাথোকসিদনা কৈনো।"

"য়ূমদগী জিরি জিরি লাকপদা কেল্লীগী কাওদু লম্বীদা ফৈন্দুনা লৈরম্মী। মাবু থৈবদা চুজাক কবোক পোকপা অমদি ফৈনা থোমখ্রে। মদু ফিবম ফরম্লরোইবো!"

"হেরা মদুগীবু অদুক লুনা খনবা হৌনব্রদা।"

"হোয়হে, মাগুম্বা তরা তরাদগী মমল হেনবা কয়াসু...!"

হন্দক্তি অনীমক তশেংনা মকা লান্না নোক্লম্মী। লৈঙাক মপুরেন্না মখা তারকই।

। "অঙম্বা।"

"তাকপিসিদো লৈকোয় মপুরেল।"

"য়েংউনে, হন্দকসিদা তৌরিসে খা পাৎকী থম্বালদো ঐগী লমহেনবা অঙাংশিংনা শম্পোৎ শাজেনা কন্থৎতুনা শান্নরুই হায়বগী ৱাথোক্তা লাংলম্বদু ঙরাং নহালতা লোইখিবদা মঙাইরি।"

"অতৈ করি অমুক থোক্লবগেনে হায়রিবসিবু মপুরেল?"

"ৱাৎপা লৈতেনে অঙম্বা।"

"মখা তাবিসিদো।"

"অৱাং চীংগী লৈদুগী মতাংদসু...।"

"হেক্তোকখ্রবরা হায়রিসিবো?"

থায়ায়নবা পাউখুমদা লৈকোয় মপুনা মখা তারকই।

"মদুদা নত্তেনে অঙম্বা!"

"অতোপ্পনা করি অমুক?"

"নোংপোক চীংগী লিলিদুসু ঐনা পীথোকপনি হেক্তা মহায়রেদা।"

"অদুই ৱাদি, তাইবঙ মীগী মচীনসিদি মেনবা য়াবা পোৎ ফংলোইদা। অদুবু ইনিংথৌনা তৌরম্বা য়াবা অমদি লৈখিবনিকো।"

"হায়যুদনা মতাসি অঙম্বা।"

"মখোয়গী ঙমখৈ ঙাকপশিংদুনা চৎখ্রবা মতুংদা ঐখোয়গী মখায় লুপা খায়বশিংদুবু নমদুনা লৈহল্লন্নবদি খরসু মফরমগদবনি।"

"মদো ঐমক্তি চপয়ুংনা খনখ্রবনি, অদুদা...।"

"অদুদা কৈদৌবিখ্রিবগে?"

"ৱাফমসি করিসু নত্তেদা থমখ্রসি।"

তাঞ্জাদুদা দুং লাওবা অহৌবা মখোল অমা তারকই। মপান্দা কোয়লাং লাংনরকই। ঙাইহাক লৈরগা মপান থোক্তুনা য়েংলুই। লোয়নমক তুম্পক তুম্পক লেপ্তুনা লৈনরমখি। খোয়শাওনরবা লৈকোয় মপুনা লাওখি।

"করিনো নখোয়না তৌরিবদুবো?"

"টেষ্ট তৌজবনি।"

"হায় কনা লৈ, মসি, মচীনসি চবেং চবেং য়ান্না ঙাংই পুথোকখ্রো মশকসি য়েংনীংদে।"

মখা তানা মথন্তা মুরুম মুরুম শোল্লি। অরাংবমখৈ লোয়শিল্লু মীঙোন্দা তৌরুচোকো হায়রগা, মফমসিদবু টেষ্ট তৌরিনি কায়না, বদমাসশিংসিদি।

লৈঙাক মপুগী পূক্নীং ইরাং লাংলে লৈতাফম খঙদবগুম উরে। ৱারী শাবা য়াররোই নুংঙাইররোই হায়বা খঙলে। আর্কিটেক্তু ঙসিগীদি হনখ্রগে হায়রদুনা লৈকোয় মপুরেন্দগী য়াথং লৌরকই। তপ্পী তপ্পীদগী জিরি জিরি থৌগৎলকখি। কুইদে, অফ–অফবা মখলগী খূৎলায় পায়বশিংনা মাঙদা থৎলগা নোংমৈ গুলীনা নোং চুবগুম মাবুদি পানহন্দনা হৈথরকখি। অকিবগী মশক ফংলবা থৌদৌদুদা শিনীংদ্রিবা কৌবনিনা, ঐবু অমুক্তা ঙাকপিয়ু ঐবু অমুক্তা ঙাকপিয়ু, ঐ ইচা পীক্লি শিবা য়াদ্রি হায়দুনা কন্না কন্না লাওরকখি। ইকান কান্নদবা হীক্লা হীক্লা কপ্লকখি। মাগী লোয়নবীনা পাখৎলদুনা মশা নোমদুনা হৌদোকচরকই। তপ্পা হায়রকখি।

"অতোপ্পা নীংশিং ফুরা অমগী শক্তম...।"

## শৈরেং

### সনা লৈবাক অফোৎপিরা?

*– লাইশ্রম দেবেন সিংহ*

লৈজনিংদ্রে, হিংজনিংদ্রে, নঙগী তম্পাক্তা
নচা নশু অমা ওইনা মালেমদা।
সনা লৈবাক মণিপুর ওইরক্রে ।।

য়েংউ উরু খুদিংদা মীৎ নারে
পাল্লরিবা নাকোং তাবদা ৱারে,
লৈখোন্না মেল্লগা হিংলসিরা খল্লে ।।

চাওখৎ খোঙথাং লমদা শেল তাল্লে,
ইকাই ইকি খঙদনা, অচোপ অরেম খঙদনা
নঙ–শিয়ু, ঐ হিংগে ফিদমনি!
অনৌবা ইতিহাসকী ইয়েকনি, কাউঙম্লরেইদবা
ৱাথোক লাম্থোক, নুপা নুপীশিংগী রাস লিলা
লেপ্পা লৈতে লোইবা নাইদে
হে ইমা মণিপুর অফোৎপি ইমা নঙবু
থাগৎলগা তিকি ইনবি
থাগৎলগা পুক হাংলবা জিবদা
নোংমৈ মরুনা পুকচাক ওইরনি।
লৈয়েং ফাইরে, হে ইমা অফোৎপি।

### খুকউ শেল্লু

*– ইরোম মোবি*

য়োৎ ফত্তবা বেটরি ফত্তবা
লৈব্রা লৈব্রা হায়না
কোয়লাও লাওদুনা চৎলিবা
মীয়ানচাশিংনা
অশানবা কা লৈব্রা
অশানবা য়ূম লৈব্রা হংলদুনা
লৈফম থিরক্কদবা কুইদ্রে।

# তাবুনুংদগী

*"অদুঙৈ শান্তদাসনা গরিবনিৱাজ মহারাজবু রামায়েত ধর্ম্ম পীনবা হোৎনবা, রামায়েত ধর্ম্ম চৎলবদা মৈতৈ পুরান মৈ থাবগা লোয়ননা উমং লাইনচিংবা মাংহনবদা লাইয়িংথৌ সনামহীগী মুর্তি থুগাইবদা মচা ইবুঙোগা মহারানিগা লায়না খঙদনা লাকহৎতুনা শীগদৌরবদা সনামহী মুর্তি অমুক হন্না লীংখৎপদা ফোংনখিবা ৱারোল অমা তাবুনুংদগী লৌখৎচরি।"*

"তুবী নঙনা চৎলমবা গৌরিয়া ধর্ম্ম অথোইবগী
ভক্তিরতন অচীক অসিদি মোমনু নুজা শকহেনবীনে।
... গৌরহরি লাই মরু রসরাজ মুর্তি শংশঙবা যুগলব্রক্ষ
চঙখোনবগি গৌরিয়া লাইরমলেল অসিদি পোইরৈ মী
অয়ামবনা চৎঙমলোই"

# মণিপুরী পাম্থে –পাউরৌ, পাউতাক

* **ঈরাক্লরবা হনুবীদসু নাপী পায়দুনা ময়াল্লি।**
  –শিনিংদবদগী উপায় থিবা।
* **ঈশিংদা লৈতুম থাদবা**
  –তুমিন্না লৈথোকখিবা, পাউ হল্লক্তবা।
* **ঈশিং ঈয়াইদগী থিনগৎলকপা থরো থম্বাল লৈখোম তৈদে।**
  – ফত্তবা অমোৎপা মফমদগী হৌরকপা ওইরবসু অফবা ওইবগী খুদম।
* **ঈশিংগা থাওগা তিন্নবা**
  – তিন্নবা তোৎশিন্নবা য়াদবা, নুংশিনদবগী মওং।
* **ঈশিংদা লৈরগা লাইরেনগা য়েংথিনবা**
  – পুন্না লৈমিন্নরগা অচৌবগা য়েংথিনবা।
* **ঈশিং অরুবদা লৈম্লে ঙায়াম তুংবনি।**
  – মীচান মীওক ফবা মীগীদি মী ৱাত্তে।
* **ঈশিং ঈচাওগুম হেনগৎপা**
  –য়ান্না থু না হেনগৎপা।
  – পোৎকী মমল জর জর হেনগৎপা।
* **ঈশিংদা লমজেন তান্নবা**
  – ওন্নতৈনবা, মরিং মরাং ওইবা থবক।
  – চুশিন্নদবা থৌওং।
* **ঈশিংদা হৈবনা ঈশিংদা উদা হৈবনা উদা**
  – মীগী মীগী হৈনবা শিনফম।
* **ঈশিংগী অরুবদি ওনবা ঙম্মী, মীগী পুক্নীংগী অরুবদি ওনবা ঙমদে।**
  –তাইবঙ মীগী পুক্নীংগী ৱা খঙবা ৱায়
* **ঈশিং থন্দবা চফু মখোন থোকই।**
  –মতীক মগুন লৈতবা মীনা ৱাজাও ঙাঙবা।
  – হৈতনা অহৈবা শাবা।
* **ঈশিংনা থরোই মহীগুম্বা**
  – তরু–তরুবা ঈশিং।
* **ঈশিং মরিক মরিক্লা চাওরবা সমুদ্র ওই।**
  –অপীকপা ময়াম পুনশিল্লগা অচৌবা ওই।
* **ঈশিৎপদবু ঙাতাংবনি ৱা ঙাঙবদবু ৱাপাংবরা ।।**
  – মরম খঙদনা ৱাপাংবা কান্নদে।
  – মথৌ লৈতবদা য়াওবা।

***খোমজিনবাঃ ডা. লৈশাংথেম তোন্দোন***

# চানক্য নিতি

- খুৎকী ফজবদি খুজিন নত্তে, দানননি। চন্দননা নত্তে শেংবদি, ঈরুজবননি। চাক্ত নত্তে পেনগদবদি, ঈকাই খুন্নবদুদনি। মীদুগী থাক্তুনা নত্তে মুক্তি ফংগদবদি, জ্ঞান ননি।
- হাজামদা চৎলগা শম–কোই ককপদা, নুংদা চন্দন তৈবদা, ইশকপু ঈশিংদা য়েংবদা ইন্দ্রগুম ওইরম্লবসু লম্থুম, সন্মান মাঙই।
- তুণ্ডি চারগা ৱাখল মঙাই, বাচা চারগা পাঙ্গল–লৌশিং হেনগৎলি। নুপীনা খুদক্তা শক্তি লৌথোকখি, শঙ্গোম থক্লগা শক্তি হেনগৎলি।
- অতোপ্পগী য়াইফনবা খনবা হেক হৌরকপগা খুদোং থীবা পূম্বা মাঙখি, খোঙথাং খুদিংগী লন খুদিং ফংই।
- চাবা, তূম্বা, কিবা, য়ূম্বানবদা মীগা শাগা চপ মান্নে। ধর্ম্ম অমসুং অতোপ্পগী ফনবা খনবা হায়বসি মীনা হেল্লি। ধর্ম্মবু য়াওদ্রবদা শাগা মান্নে।
- চাউথোক্লবা শামুনা মনা হুমদুনা মঙোন্দা তোংলরিবা খোইমুশিংবু তাম্থোকই। মদুদা মাঙজরিবসি খোইমু নত্তে শামুনি। খোইমুদি থম্বালগী লৈকোন্দা অদুম চঙখিনি।
- নিংথৌ, লমচৎ নাইদবী, যম, মৈ, হুরানবা, অঙাং, ভিক্ষারি অমসুং গ্রাম কন্টক (মী, শা, উচেক্লচিংবা ফুনহল্লগা কুম্মৈ শীনবা মী) নীপান অসিদি অতোপ্পগী অৱাবা খঙদবনি।
- অহল ওইরবী, করিগীনো হন্থনা য়েংলিবা? লৈমাইদা করি তাখ্রবগে? হায় অপঙবা (ঐগী) নহা ওইবগী মুক্তা মাঙখ্রে খঙদবরা?
- লিনশিংনা ননাক্তা লৈদুনসু, নহৈ য়ান্দবা ওইদুনসু, তিংখং পান্দুনসু, পঙশন্দা শদোক্তুনসু, লৈখোম তৈদুনসু, থোইদোকপা অমা লৈত্রবসু, ননাক চঙঙমদবা ওইদুনসু হে কেতকী, ননম্না মরম ওইরগা নঙবু খ্বাইনা তিন্ননীংই। (অদুগুন্না গুণ অমত্তং লৈবদা দোষ ময়াম মাঙবনি।

***হন্দোকপাঃ ককচিংতাবম ব্রজমনি শর্ম্মা***

# মণিপুরী পাউখোং

১৯৩. হিন্দি, ইংলিস অমসুং মণিপুরীগী খোম্থোক অহুম য়াওবা ৱাহে অমা হায়য়ু–

১৯৪. ৱারক্কী থোইবী অঙাউবী শকনিংবদা শকপী ঙাংনিংবদা ঙাংবী–

১৯৫. নুপা অমনা লম্বীদা থেংনবা মী অনিখক্তা হংই– নখোয় অনি করি মরি থোক্লে–অনিদুগী মনূংদগী অমনা খুম্মী–"মাগী মকুবোক্কী মচা নিংঙোলগী মনেমবোক্কী মচানুপানি" করি মরিনো?

**পাউখোংশিং অসি মথংগী নোংমাইজিংগী লমাই অসিদা ফোঙদোকচগনি।**

– – – – – – – – – – – – – – – – – – – – – – – – – –

**মমাঙ নোংমাইজিংগী (১৭–৬–২০১৮)**
**পাউখোঙ ফোঙবা**

১৯০. থা তরানিথোই, নুমিৎ ৩৬৫, চয়োল অমগী নুমিৎ ৭

১৯১. খুৎহাংবদা দোলাইদা (মী ৪ না পুবা) মৌ থিনবা অমসুং মৌনা মপাম কুম্লকপা

১৯২. ঈশিং শোকপা চৎলিঙৈদা নোং তারকপা

# কান্ন–ৱানি খঙজীনবিয়ু

* **লীক্লি মখূম হাংদোকপিগে হায়রবদি?**

– লীক্লি (বোটল) মখূম চেৎশীনমনখিবদগী হাংদোকপা ঙম্বিদ্রবদি, মখূমদুদা রবরবেন্দনা চেৎনা কোয়য়েৎ–য়েৎশীনবিয়ু, মেজিক্কুম শৎ লৈথোকপা য়ারগনি।

* **লীক্লি মনূং মোৎপা শেংদোকপিগে হায়রবদি?**

– মনূংদা মোৎলবা লীক্লি (বোটল) শেংদোকপিগে হায়রবদি অফুৎপা অলুগী মকুবু ঈশিংগা কোন্ননা লীক্লি মনুংদা হাপচীনবিরগা নীংথিনা নীকপিদুনা তেংথোকপিয়ু।

* **লুপৌ থাংলবদি?**

– কোক্তা লুপৌ থাংলকপা হায়বসি, মাথা শামনবদগী নৎত্রগা হকচাংদা ঈগী ঈচেল ৱাৎপদগী নৎত্রগা ঈ শেংদবদগী নৎত্রগা চীঞ্জাক ৱাৎপদগী নৎত্রগা অতোপ্পা লুপৌ থাংবা মীওই অমগা শমজেৎ তিন্নরুবদগী নচিংবা মরম অমা নৎত্রগা অমদগী ওইবা য়াই। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু, লুপৌ থাংলকপা ফহনবিগে হায়রবদি ঃ– (ক) য়ুবীথাউ খরা মৈদা শাহনবিরগা কোক্তা তৈবীরগা পুং অনীমুক কান্নরবা মতুংদা চম্প্রা মহী অমুক তৈবীরগা মিনিট ২০–৩০ ঙাইবিয়ু, অদুগা শাম্পুনচিংবা শিজীন্নবিদুনা কোক লুথোকপিয়ু। নৎত্রগা (খ) চম্প্রা মহীগা শঙ্গোম শনাগা য়ানশিন্নবিরগা থাউগুন্না শমখোঙ থূন্না কোক্তা তৈবীরগা মিনিট ২০ লোম থম্বিরবা মতুংদা থাদোকপিরবসু কান্নবা ফংবিগনি।

* **ৱাইখু– শোজেদা কোম্থিং কাশীনখ্রবদি?**

– শিজীন্নবিরিবা ৱাইখু–শোজেশিংদা করিগুম্বা কোম্থিং কাশীনখিদুনা হাংদোক–হাংজিনদা নুঙাইরক্ত্রবদি পেট্রোলিয়ম জেলী (Petrolem jelly) খর–খরদং তৈশীনবিয়ু, থাউনচিংবা থাকপীরুনু ইশাদা অমোৎ–অকায় পক্লকপা য়াই।

*( খূৎনম ৮ লক হন্না পুথোক্তুনা কোপী লিশিং কয়া য়োনখ্রবা সনথোঙ পব্লিকেসনগীদমক মণিন্দ্র কোন্সমনা খোমজিন্দুনা ফোঙবা লাইরিক "কান্ন ৱানি খঙজিনবিয়ু" দগী লৌথোকচবা)*